হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ২৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৭৩শুবা মশীং

# হৈরোককী ইলেক্টোরল রিভিজন

## অরানবা য়াওরগদি চুমথোকফম থোক্তব্রা

পাঙথোক্লগদবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন, ২০২২গী মপূং ওইবা থৌবুসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনি। মীখল অসি তেক্ত-কায়দনা অমসুং 'ফ্রী এন্দ ফেয়র' ওইনা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা অমসুং পাঙথোকপদা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং অমসুং অতে মথৌ তাবা লোয়শঙশিংগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াগনি। অদুবু মখোয় পূম্নমক্কী কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল ওথোরিটিদি ইলেক্সন অসিগীদমক্তি ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ওনা ওইগদৌরিবনি। মসিমক্লা মার্চ ১৯, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা পাঙথোকপা পুমলোই লোইশিনগদৌরিবা অনৌবা মীখল অসিগী মথৌ তাবা থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎলক্লিবনি। অদুগা মসিগী মনুং চল্লিবনা 'ইলেক্টোরল রোল রিভিজন' গী থবকসিনি। থবকসি পাঙথোক্লগদবা মীখল অসিগীদি মরু ওইবা থবকশিংগী মনুংদা অমনি। মরমদি মার্চ, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদুদগীনা হৌজিক ফাওবদা মশাগী চহী ১৮ শুদুনা ভোটরশিং ওইবা য়ারবশিং ভোটর লিষ্টতা মখোয়গী মমিংশিং হাপচিনগদৌরিবনি। মীখল অনীগী মরক্তা লৈরিবা চহী ৫সিগী মনুংদা লৈখিদবা মীওইশিংগী মমিংশিং লৌথোক্কদৌরিবনি। এসেমব্লি সেগমেন্ট অমদগী অমদা য়ূম হোংদোক হোংজিন তৌরকপা য়াওনা কন্সটিট্যুএন্সি ৱাংমা লান্না ময়ূম পানখ্রবশিংগী মমিংশিং লৌথোক্কদৌরিবনি। নৌনা হেঙ্গৎলকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদনা মখোয়গী মমিংশিং হাপচিনগদৌরিবনি। হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসি ইলেক্টোরল রোল রিভিজন (ঈ আর আর) অমসুং স্পেসল সম্মরি রিভিজন (এস এস আর) গী মনুংদা লোইনা চনগদবনি। অদুগা হায়রিবা থবকসিমক মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ মক্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি। তঙাইফদনা মীখল মমাঙদা তৌহৌদবা য়াদবা থবকশিং অসি সী ঈ ও, মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঙথোকখ্রে। থবকসি পাঙথোকপগী মতুংইন্না এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০ মক্কী ওইবা 'দ্রাফ্‌ট' ইলেক্টোরল রোলশিং ফোঙখ্রে। মসিদা হাপচিনগদবদা চিথ-নান্থবা য়াওবা, ককথৎকদবদা ককথৎহৌদবা, পোল্লিং ষ্টেসন অমদগী অমসুং কন্সটিট্যুএন্সি অমদগী হেনবা ইলেক্টোরল রোলদা চপ মান্নবা মীওইশিং য়াওশিনবনচিংবা য়াওরগদি কমপ্লেন্ট/ক্লেম/ওবজেক্সননচিংবা তৌরক্লবগী মতম পীরগা চুমথোক্তুনা শেমদোক-শাদোক্লগা ফাইনেল ইলেক্টোরল রোলনা জন্যুৱারী ৫, ২০২২দা ফোঙনবা পান্দম থল্লিবনি।

অদুবু ইলেক্টোরল রোল রিভিজনগী চত্থরক্লিবা থবক-থৌরমশিং অসিগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা অশোয়বা-অরানবা কয়া য়াওরম্লে হায়রগদি থিন্থদনা চুমথোকহৌনবা থবক সী ঈ ও, মণিপুরনা লৌখৎফম থোক্তব্রা? হৌজিক হৈরোকতা থোরক্লিবা ৱাথোকসি নৌনা ভোটর চনশিনফম থোকপা, চনবা য়ারবা এ সীসিগী মীওই ৩০০ লোম চনদ্রে। মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবা অঙাং নুপামচা-নুপীমচা ২০০গী মথক্তা ভোটর লিষ্টতা চনশিল্লে। হৈরোকতগী ময়ূম পানখ্রবা কয়াসু অদুম্মক ককথৎতনা হাপচিল্লে, লৈখিদ্রবা মীওই কয়াসু ককথৎত্রে হায়বনি। মসিগী মথক্তা চত্থখিবা ঈ আর আর/এস এস আরগী থবক্তা থৌদাং লৌহনখিবা বূঠ লেভেল ওফিসর (বি এল ও) শিং রুলগী ৱাংমদা হাপচিল্লে হায়বগী ৱাফম য়াওরি। বি এল ওশিং লান্না হাপচিল্লে হায়দুনা ৱাকৎলুবদগী অমুক মহুৎ শিন্দোরকপগী থৌদোকসু থোকখ্রে। অদুবু অনৌবনা মহুৎ শিল্লবসু থবক্তি হান্না লান্না চত্থরম্বা অদুগা অদুম মান্নবা তৌই হায়বগী ৱাকৎসু লৈরি। মসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরল ওফিসর (দি ঈ ও/দি সী) দা হঞ্জিন-হঞ্জিন ৱাকৎলে। অদুবু অশোয়বা, অরানবশিং চুমথোকপীদ্রে হায়বগী ৱাফম লাক্লে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া য়ৌনা ৱাকৎনরক্লে। অদুবু পূম্নমকসিবু থোকহল্লকফম থোকপা ৱাথোক্লা হায়বনি। শোয়রে, লাল্লে হায়রক্লিবশিং অদুনা খুদম-চাংদমশিংগা লোয়নবা অচুম্বা-অশেংবা ওইরগদি ৱাকৎশিংদু লৌশিল্লগা মতম লৈরিঙৈদা শেমদোক-শাদোক্তুনা চুমথোকহৌনবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো? করিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া তম্না ৱাকৎনহল্লিবনো? মশ্বাইদদি মতম পূম্নমক্তা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিবু ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইহনগনি হায়রিবা, ওইহন্নবসু হোৎনরি হায়রিবা সী ঈ ও, মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমসুং সিন্স্যারিটি কদাইদা চৎখ্রবগে হায়বা ৱাহংসি হংলকফম থোক্তব্রা? তশেংনা সী ঈ ও, মণিপুরগী মায়কৈদগী শোয়রে, লাল্লে খঙনা খঙনা তূমিন্না খঙশিন্নদনা লৈথোকপা ওইরগদি মতিক-মথৌনা লৈবা কনানা করম্বা অকনবা য়াই থারবনো শোয়দনা হংনরক্কনি। মসি তৌগনু, চুমদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি ***''কৈথেল লুকোক''*** হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো?

২) **''কিশি''** হায়বা (২০১৬তা ফোঙবা) লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা ***''খুঙ্গংগী চিঠি''*** হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) ***''ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্লি।''*** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***''লাইথুং মখাক লাইমন মচিৎ''*** হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংবু মোমোন নোকহনগদৌরিবা ভু পারিক্ষক

## আই আই টি - কানপুরগী লুপা ৫০ খক্তমক চঙবা লৈবাক-লৈহাও চাং য়েংনবগী খূৎলায়

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

মহৈ-মরোং ওইনা থানরিবা পাম্বী অমনা হৌবদা মরু ওইনা চঙলিবসি ঈশিং-নুংশিৎ, নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়মনি। য়ামদবা চাংদা পাম্বীনা মথৌ তাবা মাইক্রোন্যুট্রিএন্টশিং হায়না খঙনবা বোরোন, আইরন, মেঙ্গানিজ, কোপ্পর অমসুং মোলিবদেনমগুম্বা ইলিমেন্টশিংসু লৈরি। মহৈ-মরোং খেন্নবগী মতুংইন্না মথৌ তারিবা ন্যুট্রিএন্টশিংগী চাংশিংসু খরা খরা খেন্নে। ন্যুট্রিএন্ট অমা নৎত্রগা খরা ৱাৎলকপা মতমদা পোত্থোক হন্থরক্কদৌরিবনি। অদুনা লৌমী অমনা মহাক্কী লৌফমদা য়াওরিবা ন্যুট্রিএন্টশিংগী চাং খঙবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। অদুবু লৈবাক-লৈহাও চাং য়েংবগী থৌওংসিদা মতম অমসুং শেল চঙবদা নত্তনা অরায়বা পাম্বে অমসু ওইদবসিনা লৌমী অয়াম্বনা লৈবাক-লৈহাও চাং য়েংবসি ইতৌ তৌনদবগুম্না উরি। চৈরকসিদা, নুংঙাইবা পাউ লাক্লি মদুদি আই আই টি - কানপুর (ফাউন্দেসন ফোর ইন্নোভেসন এন্দ রিসর্স ইন সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (FIRST) গী কেমিকল এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর জয়ন্ট সিংহ অমসুং মহাক্কী মহৈরোয় অহুম্না ভু পারিক্ষক (Bhu Parikshak) হায়না মিংথোল্লবা সোইল টেষ্টর অমা পুথোক্লে হায়রি।



প্রোফেসর জয়ন্ট সিংহ অমসুং সোইল টেষ্টিং কিট

মপা-মপু হাক্তক্তগী লৌমীশিংগীদমক কান্নবা কয়া পীদুনা লাকখ্রবা (মহাক্কী অপোকপা অমসুং মপুবোক অনীমক ইন্দিয়ন এগ্রিকলচরেল রিসর্স ইন্সটিট্যুট (আই সী এ আর) দা থবক তৌরম্মী), জয়ন্ট সিংহনা লৈবাক-লৈহাও ফনা থম্নবগী থবক পায়খৎপা হৌরকখি। মহাক্না থবকসিদা মায় ওনশিল্লকখিবসি কুমজা ২০১৩-১৪দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাক-লৈহাওগী মগুন হেনগৎনবগীদমক অকনবা শাফু অমা পীরকখিবদুগী মহয়নি হায়না মহাক্না 'দ বেটর ইন্দিয়া' দা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক লৈরিবা সোইল টেষ্টিং মেকানিজমসি শেল অমসুং মতম য়াম্না চঙবদা নত্তনা, টেষ্ট অসিগীদমক লৌমীশিংনা রিমোট এরিয়াশিংদগী এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্ট ফাওবা লাকপগী মথৌসু তাই। করি-করিগুম্বদনা টেষ্টকী রিজল্টসি চয়োল খরগী মতুংদা ফংবসু য়াওই, অদুনা মরূ হুনবগী থবক্তা থেংথহল্লকই। অদুগা টেষ্ট তৌবগী মমলসু লুপা ১৫০ চঙবা অমসুং ঙাইবা তাবনা লৌমীশিংনা টেষ্ট তৌবগী থবকসি কয়া তৌনদে হায়না 'দ বেটর ইন্দিয়া' দা জয়ন্টনা ফোঙদোক্লি। মসিগীসু মথক্তা, হৌজিক লৈরিবা টেক্নোলোজি অসিদা এক্সপর্টশিং অমসুং কেমিকেল কয়া শীজিন্নবগী মথৌসু তাই হায়রি।

অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসিদগী কোকহন্নবগীদমক, অকোয়বগী ফীভমদসু শাফবা, শেল অমসুং মতম চঙবগী চাংসু হন্থবা, এক্সপর্ট অমসুং কেমিকেলশিংগীসু মথৌ তাদবা সোইল টেষ্টিং কিট অমগী মঙ অসি মঙবা হৌরকখিবনি। কুমজা ২০১৫দা জয়ন্ট অমসুং মহাক্কী মহৈরোয় অহুম্না কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি (সী এস আর) দগী শেন্থং অমা ফংবা ঙমখি। শেন্থংসিগী মতেংদগী শেমগৎলকখিবা প্রোটোটাইপ অদু কমপ্লেক্স ওইবা খূৎলায় অমা ওইরম্মী, অদুনা লৌমীশিংনা ঈশিং অমসুং মেন্ট্রেইনশিং শীজিন্নবদা ইনপুট কয়ামুক্কী মথৌ তারম্মী। অদুনা মসিদি মতিক চাদে হায়না খনবদগী অতোপ্পা মোদেল অমদা থবক পায়খৎপা হৌরকখি। কুমজা ২০১৯দা অনৌবা মোদেল অমা শেমগৎপা ঙমখিরম্মী অমসুং মদুদা অকংবা লৈবাক-লৈহাও গ্রাম মঙাখক হাপ্লবা মতুংদা সেকেন্দ ৯০গী মনুংদা রিজল্ট ফংহনবা ঙম্লম্মী। খূৎলায় অসি উত্তর প্রদেশ, কর্ণাটকা, বিহার, উত্তরখণ্ড অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটশিং য়াওনা লৈবাক শিনবা থুংবদগী লৌবা লৈবাক-লৈহাওগী সেম্পলশিংদা চহী অমা চূপ্না চাং য়েংলকখ্রে। চাংয়েংশিং অদুদা মায় পাকপগী চাংসি ৮০-৯৫% ওইখি অদুগা সিঙ্গল টেষ্ট অমগী মমলনা লুপা ১০ খক্তমক চঙখি।



আই আই টি-কানপুরগী সোইল টেষ্টিং কিটনা চাং য়েংখ্রবা সোইল সেম্পল খরা

Bhu Parikshak হায়রিবা সোইল টেষ্টর অসি নিয়র ইনফ্রা-রেদ স্পেক্ট্রোস্কোপীগী টেক্নোলোজিদা য়ূম্ফম ওইবনি। লৈবাক-লৈহাওদুবু চাং য়েংনবগীদমক্তা গুগল প্লে ষ্টোরদা ফংবা ভু পারিক্ষক হায়রিবা মোবাইল এপ অসি হাপ্লবা স্মার্টফোন অমগী মতেংনা রিজল্টশিংদু খঙবা ঙম্মী। খূৎলায় অসিনা লৈবাক-লৈহাওদা য়াওরিবা নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়ম, ওর্গানিক কার্বন, ক্লেগী চাং অমসুং কেটাইওন এক্সচেঞ্জ কেপাসিটিগুম্বা পেরামিটর তরুকপু খঙহনবা ঙম্মী।

ইরায় লায়না পুথোক-পুশিন তৌবা য়ারবা অমসুং ৱায়রলেস ওইবা সোইল টেষ্টিং কিট অসিনা লৈবাক-লৈহাও চাং য়েংনবগীদমক স্মার্টফোন অমগা ব্লুটুথকী মতেংনা শম্নরবা মতুংদা সেন্টিমিটর ৫ শাংবা সিলিন্দর অমগী মওং মানবা খূৎলায় অসিদা সোইল সেম্পলদুগী গ্রাম ৫ হাপ্পী। অসুম্না মথৌ তৌহনবা হৌখ্রবা মতুং সেকেন্দ ৯০গী মতুংদা রিজল্টশিংদু স্মার্টফোনগী স্ক্রীনদা উৎলকই। কিট অসিনা লৌফম অদুদা থাগদৌরিবা মহৈ-মরোংগী মতুংইন্না মথৌ তারিবা হারগী চাংদুসু পীবা ঙম্মী। মোবাইল এপ অসি য়ুজর ফ্রেন্দলি ওই, মরমদি মসি লোকল লেংগ্বেজশিংদা খঙহনবা ঙম্মী, অদুনা লেমেন অমনসু অদুম শীজিন্নবা য়াই। কিট অমনা সোইল সেম্পল লাখ অমদগী তাদনা টেষ্ট তৌবা ঙম্মী হায়না জয়ন্টনা ক্লেইম তৌরি।

অসিগুম্বা খুদোংচাবশিংসিগী মথক্তা খূৎলায় অসি ক্লাউদ সর্ভর অমগা শম্নে, অদুগা খোমজিল্লকপা দেটাশিংদু মরোমদোম সর্ভরশিংদা অপলোদ তৌজখিগনি। মসিনা ইন্দিয়াগী ওইবা সোইল পেত্তর্ন লেপথোকপা অমসুং মসিদা থোরকপা অহোংবা কয়াবুসু খঙহনবদা মতেং পাংলগনি হায়রি। খূৎলায় অসিনা লৌমী অমনা মাগী লৌফমদুদা করম-করম্বা মহৈ-মরোংশিং থাগদবগে হায়না লেপথোকপদসু মতেং পাংলগনি। খূৎলায়সি লৌমী খুদিংমক্না লৈরুবগী মথৌ তাদে। মরমদি মসি লৌমী খরা পূনশিন্নরগা নৎত্রগা হার য়োনবা দুকানশিংদা ফংহল্লগা, লৌমীশিংনা দুকানশিংদুদা চৎলগা লৈবাক-লৈহাও চাং য়েংবা য়াগনি।

খূৎলায় অসিবু কৈথেলদা ফংহন্নবগীদমক আই আই টি-কানপুরনা মহৈ-মরোংশিংগী পোত্থোক হেন্না পুথোকহন্নবগীদমক প্রদক্টশিং অমসুং সর্ভিসশিং পীরিবা 'AgroNxt' হায়রিবা কম্পেনি অসিগা চুংশিন্নবা হৌখ্রে। কম্পেনি অসিনা খূৎলায় অসিবু শাদুনা মীয়ামদা ফংহল্লগনি হায়না জয়ন্টনা ফোঙদোক্লি। হৌজিক সোইল টেষ্টিংগীদমক ফংলিবা খূৎলায়শিংসিগী মমলসি লুপা লাখ ১দগীনা ১.৫ ফাওবা ওই, অদুবু মখোয়গী খূৎলায় অসিগীদি লুপা ৫০গী চাংদা লৈ। অদুম ওইনমক, কম্পেনি অসিনা পুথোরক্লিবা প্রদক্ট অদুগী চপ চাবা মমলদি লেপচগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

# পেলেবু মিনিষ্টর ওইহনখিবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -



ফুটবোল শান্নরোয় পেলেনা অসুম্না হায়, "ঐহাক ফিল্ম য়েংবা য়াম্না পাম্মী। করিগুম্বদা অহিং অমদা ফিল্ম অহুম নৎত্রগা মরি য়েংই, এরোপ্লেন্দা য়াম্না শাংনা তোংলবদি ফিল্ম মঙা ফাওবা য়েংলম্বা য়াওখি।" মহাক্না অসুম্নসু হায় মদুদি ফিল্ম নম্বদা মমিং চৎলবা কার্লোস হুগো খৃষ্টেনসেন, ওসৱালদো সেম্পায়ও অমসুং লুইজ কার্লোস বাররেত্তোনচিংবগা লোয়ননা ফিল্ম মরি নমখি। মখোয়শিং অদুদি (1) O Rei Pele (1962) (2) A Marcha (1972) (3( Isto E′ Pele (1975), (4) The Child Thieves (1979) নি। অকোনবগী ফিল্ম অসিদি পোর্টুজিগ মরোলদা Os Trombadinhas হায়না থোন্দুনা মালেম অসিদা থোইদোক হেন্দোক্না মমিং চৎতুনা ফিল্ম ফেষ্টিবেলশিংদা শরুক য়াখি। ফিল্মশিং অসিগী মনুংদা মহাক্না খ্বাইদগী পামজবা ফিল্মদি Os Trombadinhas কৌবা ফিল্ম অদুনি। মরমদি ফিল্ম অসিদা ব্রাজিলগী সহরশিংদা ময়ূম মকৈ লৈজদবা অঙাং মচাশিংনা লম্বীগী মতাইদা অহিংদা তূম্বা অমদি অয়ূক নুংথিলদা লম্বীদা শেল নিবনি। মহাক্না শরুক য়াখিবা খ্বাইদগী মীয়াম্না পাম্নখিবা ফিল্মদি Escape to Victory নি।

মহাক্না অসুম্নসু হায় মদুদি মমিং চৎলবা শান্নরোয় কয়ামুক শান্নবগী ওজা ওইনা হায়বদি কোচ ওইনা থবক তৌই। মদুগী পুন্সি মহিং অদুদি মহাক য়াম্না পামদে। মহাক্না চহী ২০ হৈশিংলবা কোচশিংগী মখাদা ফুটবোলগী পাড়া কয়ামুক তম্লুরবসু ঐহাক কোচ ওইবগী থবক অসি তৌনীংদে। মহাক মদুদা খোঙথাং অমত্তা থাংজিলনিংদে।

মহাক্না মখা তানা হায় মদুদি মহাক্না চহী ২০ হৈশিংলবা, মমিং চৎলবা কোচশিংগী মখাদা মখোয়না তম্বীদুনা লাক্লবসু কোচ ওইবগী থবক অদুদি মহাক পামদে। তৌইগুম্বসুং ব্রাজিল পূম্বনা থৱায় য়াওরিবা ফুটবোল মশান্না অসিবুদি খুমাঙ হেন্না চাওশিলহন্নবা থৌরমশিংদি মহাক্না হেক ঙম্বা মখৈ মতেং পাংগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারকই মদুদি ঐনা শান্নরোয় অমা ওইনা লৈখিবদা ফংখিবা অফবা লাইবক অদুদি ঐনা কোচ ওইবা মতমদা ফংলোই হায়না ঐনা খঞ্জে। ব্রাজিলগী ফুটবোলগী অশিন অরাং তৌরিবা অসি মতম অসিগা চুনদ্রে। মখোয়না ওর্গনাইজর অমা ওইবগী মেম্বর অমগা অমগা পূক্নিং অমদি ৱাখল্লোন মান্ননা থবক তৌমিন্নদবা মরম্না ফুটবোলগী মরমদা পূক্নিং হেন্না চঙশিনবা ঙমদ্রে। মসি অমাজোনগী জঙ্গলগা চপ মান্নখ্রে। মরম অসিনা মহাক্না মসিবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্তুনা ব্রাজিলগী ফুটবোলবু অমুক হন্না অৱাংবা থাক্তা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

মহাক্না অসুম্না মখা তাখি মদুদি ক্লবকী থাক্তা সন্তোস ক্লবনা মহাকপু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপীরকখি। মতম খরা ইন্টরনেসনল রিলেসন এদভাইজর ওইহনখি, মদুদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইখি। ক্লব অসিনা শেল থুম ৱাৎপগী অৱাবা মতমদসু ঐগী পূক্নিংদা অমদি ক্লবকী মেম্বরশিংগী পূক্নিংদা য়াম্না কন্না অৱাবা লৈখিদে। কুমজা ১৯৯৪দা মহাকপু সন্তোস ক্লবকী প্রসিদেন্ট মীগুৱেল কোদজা কৌবা অমনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোক্লম্মী। মরমদি প্রসিদেন্ট অসিনা দোলর মিলিয়ন অমা হেন্না "TELEBING" হায়বা জ্বার অদু শান্নবদা মাঙহনখি। মদুদি শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর ফী অমদি মখোয়গী তোলোপ হেনগৎহনখি। মদুদা ক্লব অদুগী গভর্নিং কাউন্সিলনা মহাকপু লৌথোকখি। অব্দুল হক কৌবা অমনা মহাক্কী মহুৎ ওইহনখি। অসিগুম্না সন্তোস ক্লব অসিনা শেল থুমগী মরমদা অৱাবা তারবা মতমদা পেলেনা মখোয়গী মতেং য়াম্না পাংখি। অসিগুম্বা খৎনবা, চৈনবা অসিদা পেলেদি হেক য়াম্না থাপ্না লৈনবা হোৎনৈ। মতম অসিদা ব্রাজিলগী ফুটবোলদা খ্বাইদগী চয়েৎনরিবা থৌওংশিংগী মরক্তা অমদি অমেচর অমসুং প্রোফেসনেল শান্নরোয়শিংগী ৱাথোক অমসুনি। খুদম ওইনা ক্লব অমনা প্রোফেসনেল ওইবা শান্নরোয় অমবু অতোপ্পা ক্লব অমদা য়াল্লবা শেনফমদা য়োন্থোকপা ঙম্মী।

কুমজা ১৯৭০গী মতম অসিদা ক্লব অমগী প্রসিদেন্টনা শান্নরোয় অমবু দোলর মিলিয়ন কয়ামুক্তা অতোপ্পা ক্লব অমদা য়োন্থোকপা ঙম্মী। অদুবু দোলর খুদিংমক কনাগী মখূৎতা লৈবগে খঙদে, ক্লবকী অপূনবা শেনফমসু ওইদে। অদুনা ফীভম অসিদগী ঐখোয়না খঙই মদুদি মতম অসিদা খা অমেরিকাদা লৈবা ফুটবোল হৈবা ব্রাজিল, অর্জেন্টিনা, চিলিনচিংবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মমীং চৎপা ক্লবশিংগী মেনেজরশিং অসি অয়াম্বা লম অদুগী মতিক মগুণ লৈবা, তৌগে হায়বদা তৌবা ঙম্বা, শেল পায়বা মীওইশিংনি। মরম অসিনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় অয়াম্বা য়ুরোপ্তা চৎতুনা ইটলি, ফ্রান্স, ইংলেন্দ অমদি হোলেন্দনচিংবা লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লবশিংদা ট্রান্সফর তৌরিবনি। অসিগুম্লবা ব্রাজিলগী ফুটবোলদা শেল তানবা মতিক ময়াই লৈরবা মীয়াম্না পামদবা খোঙথাংদা চত্থরিবা থৌওং অসিবু তোকহন্নবা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্না অফবা খোঙথাং লৌরকপগী মনুংদা পেলেসু অমনি।

কুমজা ১৯৯৪দা ফর্নান্দো হেনরিক কার্দোসোনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইবা মতমদা পেলেবু মহাক্কী মনাক্তা কৌদুনা হীরম অসিগী মরমদা খন্নরম্মী। মদুদা পেলেনা থবক অসিদা মায় পাক্লবা হোৎনদুনা শেঞ্জাও পায়বশিংনা শান্নরোয়শিংবু য়াল্লবা শেনফমদা লৈবা-য়োনবগী মওংগা মান্নরবা শা-ঙা য়োনবগী থৌওং অদুবু মুথুৎখি। ফর্নান্দো হেনরিক মমাঙদা লৈরম্বা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট তানক্রোন্দো নেভেসনা কুমজা ১৯৮৫দা, মদুগী মতুংদা মহাক্কী মথংদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা জোস সারনেয়না মহাকপু লৈবাক অদুগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইযু হায়বদা য়াখিদে। অদুবু কুমজা ১৯৯৪দা ফর্নান্দো হেনরিক কার্দোসোনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইবা মতমদা মহাকপু অমুক হন্না কৌখৎতুনা লৈবাক অদুগী মিনিষ্টর ওইবিয়ু হায়বদা মহাক্না য়াখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।